মাস কোভিদ টেষ্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস):

ৱার্দ নম্বর-৯, কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা ঙরাং অনীরকশুবা ওইনা মাস কোভিদ টেষ্ট, সী এম ও ইম্ফাল ৱেষ্টকা খুৎশম্নদুনা টাস্ক ফোর্স অসিগী হেদ ওফিস ওইরিবা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈবা ইম্ফাল রাইজিং য়ুথ ক্লবকী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। টেষ্ট অসিদা ৱার্দ অসিগী মনুংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈকায়শিংদগী পূন্না মীওই ৭১না টেষ্ট তৌখি। ফোর্স অসিনা ৱার্দ অসিদগী লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবগীদমক মীওই খূদিংমক্না ইশাদা চিংনবা লৈরবদি লোৎশিন্না থন্বীদনা টেষ্ট তৌথোকপীয়ু। ঐখোয় খূদিংমক্না চেকশিন্না লৈবীদুনা ৱার্দ অসি কোভিদ লাইওংগী ফ্রী জোন ওইহল্লসি হায়না টাস্ক ফোর্সকী চ্যেরমেননা ফোঙদোরক্লি।

লুট্টরশিং তান্নবদা...

লামায় ১গী মখা... নমদুনা লুপা ২০০০/২০০০ মুলহৌবগী থৌদোক থোকখ্রবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ঙসি কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা লমহেন তুহেনবা লুট্টরশিংবু ফানবগীদমক ব্লেঙ্ক ফায়র তৌদুনা হোৎনখিবা অদুবু মফম অদুগী ঈং-চীকপা থুগাইনবা অমসুং খুঞ্জাশিংবু অকি-তুজুং পোকহন্নবা হোৎনবনি হায়রদুনা নুংবা এরিয়া ভিলেজ ওথোরিটি এসোসিয়সন, রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুর (আর এন এল পি এম), লুৱাংবা লুৱাংগ্রিয়নগী সেক্রেটরি, রোংমৈ নাগা লু ফাম, লুৱাংবা লুৱাংগ্রিয়ন অমসুং নুংবা এরিয়া জোইন্ট এক্সন কম্মিটি অমসুং রোংমৈ নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসন, মণিপুরগী চ্যেরমেন/প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিনা পুন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকখিবা চেরোল অমনা কন্দেম তৌরি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি খুদক্তা লেপকদবনি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা পুলিস কম্মান্দো পর্সনেলশিংগী মথক্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকদবনি। থৌওং অদু এন এন সী এন-আই এমগী কেদরশিংনি হায়বগী মরাল শীদুনা চৎখিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। নোনে পোষ্টতা লৈরক্লিবা কম্মান্দোশিং অসি মফম অসিগী মীয়ামগীদমক কোভিদ-১৯ মায়োক্লনবা পুন্না থবক থৌরমশিং লৌখৎমিন্নরক্লিবনি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.271860
US Dollar	72.394030
British Pound	102.804959
Australian Dollar	55.822538
Chinese Yuan Renminbi	11.368171
Japanese Yen	0.658969
Malaysian Ringgit	17.509975
Singapore Dollar	54.723814
South Korean Won	0.064995
Saudi Arabian Riyal	19.305075
Thai Baht	2.316197

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47320.00
Mumbai	–	Rs	47165.00
Delhi	–	Rs	47165.00
Kolkata	–	Rs	47960.00

GAS NEWS

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking:18-5-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 600939 2991,9362654114,038535 60556. Time 8:30 to 12:30. Adminstrative Office close on Sunday and holiday. Also Encourage online payment. Those who haven't received within the aforesaid time please show the second copy or personal copy and along with mobile phone and the same maybe send in whatsApp no 9612718751. also available 19kg and 5kg .please don't used the other numbers except the notified one.

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO 18-04-2021
VALID FROM 15-04-2021
STK 306
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 30-05-2021
CONTACT NO
7005695308
6009772483

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO 03/04/21
VALID FRROM 23/03/21
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT
KWAKEITHEL 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

য়ুনাইটেদ মৈতৈ সোসাইটি ওফ আসামনা দেল্লীদা মণিপুরীশিং মতেং পাংলি

নোমিতা খোঙবান্তাবম

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস):

কুমজা ১৯১৬কী ওক্তোবরদা দেল্লীদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৈরকখিবা য়ুনাইটেদ মৈতৈ সোসাইটি ওফ আসামনা মণিপুরদগী য়াওনা চোইনা তারিবা মৈতৈশিংবু পুনশিন্নবা হোৎনবগী মথক্তা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা পেন্দমিক অসিনা অৱা-চৈথেং নংহল্লবা মণিপুরীশিংদা অঙন্বা মতেং পাংননবা হোৎনরি।

ৱাফম অসি সোসাইটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি কৈশাম রোনেন মৈতৈনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্না হায়, য়ুনাইটেদ মৈতৈ সোসাইটি ওফ আসামগী পান্দমদি মণিপুরগী মপান্দা চোইনা তারিবা মৈতৈশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনবা অমসুং মখোয়না মায়োক্লরকপা অৱা-অনাশিংদা মতেং পাংবনি। পান্দম অসিনা লমজিং ওইদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎতুনা লাক্লিবা সোসাইটি অসিগী হৌজিক্তি মেম্বর ৩০০ লোম লৈরে। সোসাইটি অসিগী মেম্বর ওইরিবশিং অয়াম্বনা প্রাইভেট ফার্ম/কম্পেনিশিংদা থবক তৌবনা য়াম্লবসু মেম্বরশিং লোইনমক থবক তৌরি। সোসাইটি অসিনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু ত্রিপুরাদগী লায়েংবা লাকখিবা মমা-মচা অনীগী মরক্তা মমা লৈখিদবা থৌদোক্তসু মমা অদুনা লায়েংলিঙৈ মতমদগী হৌরদুনা মতেং পাংখি। হৌজিকফাওবদদি মণিপুরদগী লাকপা মৈতৈশিংদদি সোসাইটি অসিগী মতেং মথৌ তাবা থেংনদ্রি। অদুমওইনমক সোসাইটি অসিগী পান্দম অদুগী মনুংদা চিংশিন্দুনা কনাগুম্বা মীতৈ ফুরুপকী মীওই নত্তবশিংনা তেংবাংগী মথৌ তারকপদসু অঙন্বা মতেং পাংলি। সোসাইটিনা হৌজিকফাওবদা পাংখিবা মতেংশিংগী মনুংদা লায়েংবা লাকপশিং হোস্পিটালদা পুখৎপা, মহৈরোয়শিংগী হোষ্টেল ফংহনবা, মীতৈশিংনা লৈরিবা মফমশিংগী লম্বী কোইলাসনচিংবা থাদুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবকসু য়াওরি হায়খি।

সোসাইটি অসি লিংখৎপগা অহানবা ওইনা মীতৈগী চাউরবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা 'নিংঙোল চাক্কৌবা'গী থৌরম পাঙথোক্তুনা মীতৈ ফুরুপকী মবুং-মচলশিং য়াওনা অমত্তা ওইনা নুংশিনহন্নবগী থৌরমসু পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়রি।

সী বি আইগী...

লামায় ১গী মখা... মচানুপানি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি অমৃট সিনহানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, মীওই অসিনা ঙরাং সী বি আইগী এদিসনেল এস পি শাদুনা চৎলিঙৈদা চুরাচান্দপুরগী পিয়ারসনমুন ভিলেজগী কোভিদ ভিলেজ টাস্ক ফোর্সকী মীওইশিংনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা ফাগৎখিবনি। অদুগা টাস্ক ফোর্স অসিগী মায়কৈদগী রিপোর্ট অমগা লোয়ননা মহাকপু পুলিসতা শিন্নরকখিবনি হায়রি।

পুলিসকী মায়কৈদগী মহাক্কী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৪১৭, ১৭১, ৪৬৮, ৪৭১, ৪৬৫ অমসুং ১৮৮গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৫৮(৫) ২০২১ অমসুং এফ আই আর নম্বর ৫৯(৫)২০২১ অন্দর সেক্সন ১৮৬, ১৮৮ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

মঙোন্দা অহানবগী ওইনা ৱাহং পাউহং চৎবদা মহাক কুমজা ২০১৫দগী গুরুগ্রামদা লৈবা ফিরোলগী দুকান অমদা থবক য়াওরকখিবনি। অদুবু মার্চ ২০২০দা লোকদাউন লোইরবা মতুংদা চুরাচান্দপুরদা লাকখিবনি হায়বা খঙলে। মহাক্না দেল্লীদা নল্লগা পায়রকখিবা সী বি আইগী ওফিসর শাবগী থবক অসিদা নত্তনা সর্ভ সিক্ষা অভিয়ান (এস এস এ)গী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ওইনসু শারম্মী হায়বা খঙলে হায়রি। লোয়ননা, দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী কনাগুম্বা মীওইশিংনা মহাক্কী নমথাক অসিদা থুদুনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লখিবা য়াওরগদি মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চৎনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিদা পাউ পীবিরকউ হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

এরেষ্ট ১সুং দিটেন্সনগী মতাংদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস):

সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা আর্নেস কুমার ভর্সেস ষ্টেট ওফ বিহারগী কেসতা এরেষ্ট অমসুং দিটেন্সনগী মতাংদা পীখিবা ওর্দর অদুদা য়াওবা দিরেক্সনশিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱেভিনর লিগেল এৱ্যের্নেস কম দিসকসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি, সেনাপতিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদু সেনাপতি অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস ওফিসরশিংগীদমক্তনি। দি এল এ এ সেনাপতিগী চ্যের্মেনসু ওইরিবা সেনাপতিগী সেসন্স জজ সামোম ইবজেননা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হৌদোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিগী মনুংদা লৈরিবা মাও, তদুবী, সেনাপতি, কাংপোকপী অমসুং সাইকুলগী পুলিস ওফিসরশিং অমদি পেনেল লোয়রশিংনা শরুক য়াখি।

রিসোর্স পার্সন ওইনা সেসন্স জজ সেনাপতিগী এ পি পি কোসিয়া মাওনা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা দি এল এস এ সেনাপতিগী সেক্রেটরি এ তরুনকুমারীনা ৱেলকম এড্রেস পীখি।

অমরোমদা উখ্রুলগী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনসু 'রোল ওফ পি এল ভী এন্দ পেনেল লোয়রস ৱিথ স্পেসল ইম্ফেসিস ওন দি লো ওফ এরেষ্ট এন্দ দিটেন্সন' হায়বসিগী মতাংদা ওনলাইন লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি এল এস এগী চ্যের্মেন ওজেস মুতুমনা প্রোগ্রাম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল ফোঙদোকখি।

বিশ্বজিৎ অমসুং তোলেঞ্জাওনা...

লামায় ১গী মখা... মখোয় অনী য়াওনা পুন্না মীওই ৯ ফাগৎখিবনি। অদুবু মীওই ৭ অমদি এপ্রিল ৫, ২০২১দা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টনা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর ১১৩ ওফ ২০২১গা মরী লৈননা পীখিবা ওর্দরদা বেল পীখ্রগা মখোয় অনীগী বেল প্রেয়রশিংবুনা রিজেক্ট তৌরগা জুদিসল কষ্টদিদা থল্লকখিবনি।

মসিদগী এন বিশ্বজিৎ অমসুং এম তোলেঞ্জাওনা মখোয় অনীবু কেস অসিদগী বেল পীবিনবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্ট অসিদা ক্রিমিনেল মিসেলিনস (বেল) কেস নম্বর ২৫ ওফ ২০২১ অমসুং ২৬ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরকখিবনি। কেস অনীমক কোর্ট অসিনা থা অসিগী ২০দা লৌখৎতুনা মসিগী হিয়রিং চৎখি। হিয়রিং অদুদা মখোয় অনীগী মায়কৈদা এদভোকেট এম গুনেধোরনা লেপখি অদুগা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদনা কোর্ট অসিগী এদিসনেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর এ নিলচন্দ্রনা লেপখি। কোর্টনা বেল মেট্টরশিং অসি লৌখৎলকপদা মখোয় অনীগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেটকী মায়কৈদগী নারেংবম সমরজিৎপু এয়রপোর্টতা পুরকখিবদা লাউখিবা স্লোগানশিং অদু মখোয়গী মরুপ নৎত্রগা মচিন মনাও অমনা য়ূমদা হল্লকখিবা মতমদা ইচম চম্না মখোয়গী লৈজরিবা ফন্দামেন্টল রাইট্সকী ফ্রী স্পিচ অমসুং এক্সপ্রেসনগী মতুংইন্না ফোঙদোকখিবা ইচম চম্বা ৱাফমশিংনি। এম তোলেঞ্জাও এন ঈ আই দি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইবদা নত্তনা পার্টি অসিগী সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটিনা সমরজিৎপু রিসিভ তৌনবা থারকখিবনি। মসিগী মথক্তা এন ঈ আই দি পিগী মায়কৈদগী সমরজিৎনা লিগেল ফ্রেমৱার্কশিংগী মনুংদা মণিপুরদা হল্লকপদা অয়াবা পীবিনবা হোম মিনিষ্টরদা হায়জখিবসু লৈখি। লোয়ননা এন বিশ্বজিৎ সমরজিৎকী ময়াম্বনি হায়রদুনা মখোয়গী মমানা মহাকপু ওকপা চৎপদা লোয়নখিবনি। নুমিৎ অদুদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মখোয়না চৎখি হায়রিবা থবকশিংনি হায়দুনা তৌরিবা চার্জশিং অদুগী মতেং পাংগদবা ইভিদেন্সশিং রেকোর্দতা লৈতে হায়বগা লোয়ননা মখোয়গী মায়কৈদগী ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়োক্তা ওফেন্স কম্মিট তৌবা লৈতে। অমসুং মীয়াম্বুসু অকি অখং পোকহন্নবা হোৎনখিবা লৈতে হায়খি। লোয়ননা সমরজিৎকী মায়োক্তা এন আই এনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসতগী সেদিসনগী চার্জশিংসু লৌথোকখ্রবনি হায়খি। অদুমওইনমক কোর্ট অসিগী এদিসনেল পি পিনা সবমিট তৌরকখিবা ৱাফমশিংদদি এন সমরজিৎপু এয়রপোর্ট অসিদা পুরকখিবদা মখোয়না থোকফম লম্বীদা থিংজিন্দুনা মহাকপু মুন্নবা হোৎনখিবগী মথক্তা স্লোগানশিং অসি লাউখিবনি। মদুগী মরী লৈনবা সী সী টি ভী ফুটেজশিং লৈরে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা নারেংবম সমরজিৎনা লন্দনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা লাউথোকখিবা ৱাফম অদু মহাক্না মণিপুরদা হল্লক্লবফাওবদা ৱিথদ্রো তৌবা লৈত্রি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপগী মথক্তা সমরজিৎনা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অদুগী মতাংদা ময়াম্বা বিশ্বজিৎকা মাঙজৌননা পাউ ফাওনবা লৈখি। অমসুং মখোয় অনীমক প্রেস কনফরেন্স অদু দুবাইদগী লন্দন তান্না লাক্লবা মতুংদা শরুক য়াখি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা মখোয় অনীগী বেল এপ্লিকেসনশিং অদু রিজেক্ট তৌরে হায়খি।

থা অসিগী ২০দা চৎখিবা হিয়রিং অদুগী রিজার্ব তৌদুনা থল্লকখিবা ওর্দর অদু ঙসি লাউথোক্লদুনা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট এ গুনেশোরনা ফোঙদোকখিবদা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা মখোয় অনীগী বেল এপ্লিকেসনশিং রিজেক্ট তৌখিবা অদুবু কনফার্ম তৌরদুনা মখোয় অনীগী বেল মেট্টর অসিদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা এস এম দল্লিয়ু সী নম্বর ১ ওফ ২০২১গী মতাংদা মে ৭ ২০২১দা পীখিবা ওর্দর অদুগী দিরেক্সনশিং অদু এপ্লিকেবল ওইদে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

জুন ২ ফাওবগী মনুংদা সী ঐচ আই সী হাংদ্রবদি এম এল এ দিঙ্গো...

লামায় ১গী মখা... কন্নবগীদমক্লি। ওর্দর অদুগী মতুংইন্না মথং থাগী ২ ফাওবগী মনুংদা এম এল এনা চ্যেরমেন ওইরিবা কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অসি হাংদোকপিগদবনি। করিগুম্বা মীয়াম্না লৌবা ৱারেপ অসিগী মতুংইনবা থবকশিং পাঙথোরক্তৃবদি এম এল এবু বোয়কোট তৌরগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, থা অসিগী ২৬তা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ত্রোনিক মীদিয়া খরদা মশানা মশাবু কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী কনভিনরনি হায়জবা অঙোম রাজেশনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম ঙাক্তনি হায়খি। ঙসি ফাওবদা অৱাং সেকমাইদা লৈরিবা সী এস ওশিং, ক্লব/ওর্গনাইজেসনশিংগী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা এ এস এস সী দি সীদা কোভিদ মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অসি হাংবদা ভোলন্টিয়র মথৌ তারে, মীয়ামগী খল্লগা ভোলন্টিয়রশিং থোকপিরকউ নৎত্রগা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনা থাবীরকউ হায়বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈখিদে। এ এস এস সী দি সী অমদি সেকমাইগী সী এস ও, ক্লব/ওর্গনাইজেসনশিংদা সেন্টর অসি হাংদবগী মতাংদা মরী শুকলৈ লৈনদনা মরাল শীরকপসি মরম চাদে অমদি ৱাফম অসি য়াম্না হকচিন্না লৌই হায়রি।

কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা অসুক শাংলবা মতম অমদি অসুক য়াম্না শোকচিল্লক্লবা ফাওবদা সেন্টর অসি হাংদোক্তবা হায়বসি খ্বাইদগী লাইবক থীবা অমনি। এম এল এনা হাংগে হায়রগদি ইরায় লায়না হাংবা য়াই। মণিপুরগী এ সী অয়াম্বদা লোইনা হাংনখ্রগা সেকমাইগী ওইনা হৌজিকফাওবা হাংদনা লৈরিবা অসি চীফ মিনিষ্টরনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিবগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোকপিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

অঙোম রাজেশনা অথুবা মতমদা সেন্টর অসি হাংনবা শেম শাবা লোইরে হায়না ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না এ এস এস সী দি সীগী মীহুৎশিংনা নিলপদ্মা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা য়েংশিনখি। অদুবু স্কুল অসিগী মৈগী ফিট্টিং হৌখিবা চহীদা লোইশিনখিবা অদু নত্তনা হৌজিক ইনৌ নৌনা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন হাংনবগীদমক শেমজিন-শাজিনবগী মমি অমত্তা তারমদে। ইনমেটশিংনা লৈগদবা রুমশিং ইচাই চাইহৌরি, ঈশিং মরাঙ কায়না ফংহৌদ্রি অমদি অতৈ মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপগী মমি অমত্তা তাহৌদে হায়রি।

লোয়ননা ঙসিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কৌজেংলৈমা য়ুথ দিভেলপমেন্টকী সেক্রেটরি কে ঐচ রাকেশনা ফোঙদোকখিবদা চাউরাক্লা মীওই ৫০০০ রোম লৈরিবা অৱাং শেকমাইদা মীওই ২০০ রোম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে, মীওই ৫না শিখ্রে হায়বা পাউ অসি থা অসিগী ২৫গী প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ত্রোনিক মীদিয়াদা য়াওখ্রবনি। ঙসিনা মীওই অমগা হেনগত্তুনা লৈখিদ্রবা মীওই পুন্না ৬ শুরে। লৈখিদ্রবশিং অসিগী মনুংদা সেকমাইগী শক্লাইরবা অইবা খ্বাইরাকপম বিরেন অমসুং থিএটর এক্টিভিষ্ট চিংথাব বনিকান্তসু য়াওরি হায়খি। লোয়ননা এ সী অসিগী এম এল অমদি মীয়ামগী পুক্লিং চিংশিল্লদুনা অৱাং সেকমাইদা অনাবা মশিং অদুক্কী মতীক য়ামখৎলে। অনাবশিং অসি কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর নৎত্রগা ময়ুম ময়ুমদা নীংথিনা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরগদি ফগনি। পোজিটিভ ওইরবা ইমুংগী মীওইশিং অমদি সেকমাইগী মীয়ামসু ৱাখল তাবা ৱাৎলি। হন্দক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা চেঙ য়েনফমদা চেঙ লৌবা থোরকপদা পোজিটিভ ওইবা মীওইশিংসু য়াওরমখি। অসুক লুরবা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসি অৱাং সেকমাইদগী ঙাকথোকমিন্নসি হায়রগদি মীয়াম পুন্না তান্নমিন্নরগা পোলিটিক্স তৌবগী মহুত্ত অমনা অমবু হুন্নবা তৌনদনা অথুবা মতমদা অৱাং সেকমাইগী কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংদোকপনা অফবা খোঙথাং ওইগনি। মরম অসিনা এম এল এনা অহেনবা ইনিসিএটিব লৌবীদুনা অথুবা মতমদা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হাংদোকপিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

'লৈঙাক্লা ওর্দর থোক্ত্রিবা ফাওবা স্কুলশিংনা ফী...

*লামায় ১গী মখা...*ওর্দর অমসুং অনীশুবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক অমদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হৌজিক মপুঙ ওইনা থাগী ফী লুপা কয়া লৌগদগে হায়বা প্রাইভেট স্কুল, এইদেদ স্কুল অমসুং গভর্ণমেন্ট স্কুল অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা স্কুলশিং লোয়ননা ওজাশিং অমদি ষ্টাফশিংগী থাগী ওইনা ফংফম থোকপা লুপা কয়া পীহনগদগে হায়বগা লোয়ননা স্কুলগী ভেন সর্ভিস তৌজরগা য়ুম পুজরিবশিংগীসু য়েংবিরগা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনবিয়ু হায়রি। ইরমদম অসিদা হেন্না শেল-থুমগী ফিভম শোকচিল্লে। মরম অদুনা চানবা শেনফমদা মহৈরোয়শিংগী, ওজাশিং অমদি ষ্টাফশিংগী, ভেন সর্ভিস অমদি মহৈরোয় লোয়শঙশিংগী য়েংবিরগা অফবা মওংদা অমদি অথুবা মতমদা ওর্দর থোকপিনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা হৌজিক ওইরিবা পেন্দমিক অসি য়েংলগা চানবা ওর্দর অমা থোক্লক্ত্রিবা ফাওবা লন্নাই স্কুলশিংনা পেন্দমিক অসিগী য়েংবিরগা মহৈরোয়শিংদা ফী থৌবা অমদি লৌবা খুদক্তা লেপকদবনি। মখা তানা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি চৎথরক্লবদি মহৈরোয় লুপ ৬না তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই। হীরম অসিগী মতাংদা ওজা/ষ্টাফ অমদি মহৈরোয়শিংগী মমা-মপানা ৱাকৎনিংবা লৈরবদি মহৈরোয় লুপ ৬কী ফেসবুক পেজশিংদা টেক্স থাবিরকউ অমদি টেলিফোন নম্বর-৭০০৫৬০৬৯২০, ৮৮৩৭৪৫৭৬৩০, ৮৭৯৪১৪৫৮৭৪, ৭০০৫৮৩৭৩৪১, ৬০০৯ ৬৭৯৯৬০ অমসুং ৭০৮৫১৯৯২৮৮দা পাউ পীবিরকউ হায়রি।

হায় কোর্ট : কর্ফিয়ুগী মথক্তা লৈঙাক্লা মীয়াম্বু এস ও পিশিং...

লামায় ১গী মখা... লেপ্পগা রিজনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী দিরেক্টরগী মায়কৈদনা কাউন্সেল এম দেবানন্দনা লেপখি।

নুমিৎ অসিদা পি আই এল অসিগা মরী লৈননা কোর্টনা চৎখিবা প্রোসিদিংদা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ২ অমসুং ৩গী মায়কৈদগী রিপ্লাই এফিদেবিটশিং ফাইল তৌনরকখ্রবা মতুংদা অমুক্তসু ফাইল তৌনরকপা এদিসনেল রিপ্লাই এফিদেবিটশিং য়াওনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ৫গী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকপশিং কোর্টনা রেকোর্দ তৌরে হায়খি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লেপখিবা এ এস জি এস সুরেসকী মায়কৈদগীনা মহাক্লা ষ্টেট লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থা অসিগী ২০দা পীরকখিবা চেরোলশিং ফংলে হায়খি। চেরোল অদুদা মণিপুরগীদমক পি এস এ ওক্সিজেন প্লান্ট অহুমগী এল্লোকেসন পীরক্লে হায়দুনা ফোঙদোরক্লে। হায়রিবা প্লান্টশিং অসি মথংশিংনা জেনিমস, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চুরাচান্দপুর অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ইনষ্টোল তৌগদবনি হায়বগা লোয়ননা মণিপুরগীদমক দি-টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৩৫৪ অমসুং পি-টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১,৮৩৭ এল্লোকেসন তৌরক্লে হায়বগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ষ্টেট লৈঙাক্তা সপ্লাই তৌরকখিবা অপুনবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশিং ২,৬৯১ য়ৌরে হায়খি।

হায়রিবা ৱাফমশিং অসি এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেলগী মায়কৈদগী কোর্টতা ফোঙদোরক্লবসু মহাক্কী মায়কৈদগী রিপ্লাই এফিদেবিট ফাইল তৌরক্লবগী মতম খরদংগা পীবিখিনবা কোর্টতা হায়জখি। মহাক্না ফাইল তৌরক্কদৌরিবা রিপ্লাই এফিদেবিট অদুদদি সুপ্রিম কোর্টনা স্পেসল লীভ পিটিসন (সিভিল) দাইরি নম্বর ১১৬২২ ওফ ২০২১গা মরী লৈননা মে ৬, ২০২১দা পীখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না কনষ্টিট্যুট তৌখিবা নেসনেল টাস্ক ফোর্স (এন টি এফ) অমসুং এন টি এফ অসিনা ষ্টেট লৈঙাক্তা পীরকপা ইমপেক্ট অমসুং পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ৪ ওইরিবা রিমসকী মায়কৈদগী পুখৎলকপা ইস্যুশিংগী মতাংদা পায়খৎপা থৌরাংশিংগী মরীক চুম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লগনি হায়খি। লোয়ননা কোর্ট অসিমক্লা মে ১৮ ২০২১দা পীখিবা ওর্দর অদুগী দিরেক্সনশিং অদুগী মতুংইন্না হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী খুদোংচাদবশিং অসিগীদমক পীরকপা ফাইনান্সিয়ল এসিষ্টেন্সশিংগী মতাংদসু য়াওরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কোর্টনা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেলগী ৱাফমশিং তাবগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী ফাইল তৌনরকখিবা এদিসনেল রিপ্লাই এফিদেবিটশিংদা মণিপুর লৈঙাক্ল। মে ১৯, ২০২১দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না নেসনেল টাস্ক ফোর্সকী মখাদা ওদিট সব-গ্রুপ ওন মেদিকেল ওক্সিজেন কনষ্টিট্যুট তৌরে। হায়রিবা গ্রুপ অসিগী অহানবা থবকশিংনা মেদিকেল ওক্সিজেন সপ্লাই অমসুং মসিগী য়ুটিলাইজেসন অমদি একাউন্টেবিলিটিগী মতাংদা ওইগদবনি হায়বা ওবজার্বেসনশিংসু থমখি। লোয়ননা ওদিট সব-গ্রুপ ওন মেদিকেল ওক্সিজেন অসিনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং মাঙজেন্নৈনা হৌখ্রে হায়বা ওবজার্বেসনশিংসু কোর্টনা থমখি।

লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট জেনরেল নাউরেম কুমারজিৎকী মায়কৈদগীনা চুরাচান্দপুরদা ওক্সিজেন প্লান্ট কম্মিসন তৌদুনা থবক তৌবা হৌরে। অমসুং থৌবালদসু থা অসিগী লোইশিল্লকপদা কম্মিসন তৌরগনি। হায়রিবা থবকশিং অসি লৌখৎলকপগী চপ চাবা ৱারোলশিং ষ্টেট ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী মথংদা ফাইল তৌরক্কদবা এদিসনেল রিপ্লাইশিংদা শোয়দনা ফোঙদোরক্লগনি হায়খি। অদুগা কোর্টনা পি আই এল অসিগা মরী লৈননা মে ১৮, ২০২১দা পীখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না হোস্পিটালশিংদা গ্রিভান্স রিদ্রেসেল সেলশিং লিংখৎপগী মতাংদসু মাঙজেন্নৈনা এদিসনেল এফিদেবিটতা ফোঙদোকখ্রবনি হায়খি।

ৱাফম অসিদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল সর্তো টি কোমনা লিংখৎলে হায়না হোস্পিটালশিংগী গ্রিভান্স রিদ্রেসেল সেলশিং অসিগী টেলিফোন নম্বর/মোবাইল নম্বরশিং খঙহল্লক্তে হায়বা ৱাফম কোর্টতা পুখৎলকখি। কোর্টনা এদিসনেল এফিদেবিটশিং অদু রেকোর্দ তৌবা মতমদা হায়রিবা টেলিফোন/মোবাইল নম্বরশিং অসিগী অহোবা লৈরে হায়খি। লোয়ননা মসিগীদমক লৌখৎপা থোকপা থবকশিং কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা লৌখৎতুনা মথংগী এদিসনেল রিপ্লাই এফিদেবিটতা য়াওহল্লকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়খি।

অদুমওইনমক কোর্টনা পার্টি পুম্নমক্কী কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কর্ফিয়ুগী অথিংবনচিংবা থমজিল্লবসু মীয়ামগী মায়কৈদগী লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংগী অৱাৎপা লৈরবা অমসুং লৈঙাক্লা পীবা প্রোটোকোল অমদি এস ও পিশিং ঙাক্তবগী মায়োক্তা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎনবগী থৌরাং তৌদ্রবদি কোভিদ-১৯গী তুংদা মায়োক্লরক্কদবা খুদোংচাদবশিং থেংনবদা লুনা থোক্কনি। মরম অসিনা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইটসশিং ঙাক্তুনা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি হায়খি। অদুগা পি আই এল অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক মেট্টর অসি মথং থাগী ২দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২৭তা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চ অসিনা পীখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না হোস্পিটাল অমসুং হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা লিংলিবা গ্রিভান্স সেলশিংনা কোনশিল্লিবা মীওইশিংগী টেলিফোন/মোবাইল ফোন নম্বরশিং হয়েং ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্লবা স্পেসল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের)গী মায়কৈদগী ঙরাং অইবা চেরোলশিং পীখ্রে। চেরোলশিং অদু মণিপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার পুম্নমক য়াওনা জেনিমস, রিমস অমসুং হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টরদা পীখিবনি। চেরোল অদুগী মতুংইন্না গ্রিভান্স সেলশিংদা এনগেজ তৌরিবা মীওইশিংগী টেলিফোন নম্বরশিং অদু মথং থাগী ২দা লিষ্ট তৌগদৌরিবা পি আই এল অসিগী মাঙওইননা রিপ্লাই এফিদেবিট ফাইল তৌবদা হাপকদবনি হায়বা ৱাফমশিং খঙহনখি। লোয়শঙ অসিনা খোমজিল্লবা টেলিফোন/মোবাইল ফোন নম্বরশিং অদু এদভোকেট জেনরেলদা অমুক সবমিট তৌগদবনি হায়নসু খঙহনখি।

পোজিটিভ কেস ১০০৭ থেংনরে, ১৫...

লামায় ১গী মখা... ১২নি হায়রি। পোজিটিভ ওইরকপগী হৌনবা মীওইশিং অসিগীদমক কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্তেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী মাঙজৌনবা অমসুং মথৌ তাবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশিংনা ১৫নি হায়রি। মীওইশিং অদুদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতকী ১, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতকী ৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতকী ৬, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতকী ২ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতকী মীওই ১নি হায়রি। মীওই ১৫ অসি বিষ্ণুপুর কোভিদ ক্যের সেন্টরদা ১, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১, শিজ হোস্পিটালদা ১, রিমসতা ৬ অমসুং জেনিমসতা ৬ লৈখিদবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক, ঙসিগী ওইনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা নারম্বদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশিংনা ৫৬৪নি। মখোয়গী মনুংদা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ২২, হোম আইসোলেসনদগী ৪৫১, রিমসতগী ৬, জেনিমসগী ৮, বাল ভবন্দগী ১৩, নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিতগী ৮, শিজ হোস্পিটালদগী ১০, আর দি ৱিংদগী ৩, লম্বোইখোংনাংখোংগী কোভিদ ক্যের সেন্টরদগী ১৪, জিবন হোস্পিটালদগী ৩, রাজ মেদিসিটিদগী ২, থৌবাল - ২, বিষ্ণুপুর -৫, ককচিং -৪, সেনাপতি - ৪, উখ্রুল - ৫ অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৪নি হায়রি।

অদুবু ঙসি পোজিটিভ কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনখিবা অসি থারবা মতুংদা ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মণিপুরগী অপুনবা মীশিং ৪৮,৮৫০ শুখ্রে। হায়রিবা মশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনা মীওই ৪৫,০৯৮নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশিংনা ৭৫২নি। লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী অপুনবা মশিংনা ৪০,০৪৪ শুরে। হায়রিবা মশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনা মীওই ৩৬,৩৪৯নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশিংনা ৩,৬৯৫নি হায়রি।

পোজিটিভ কেস মশিং অকিবা ফংনা হেনগৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী কোভিদ-১৯ এক্টিভ কেস মশিং ৮,০৩০ শুরে। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়াম মরক্তগী মীওই ৭,৯৭৮ ওইরগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশিংনা ৫২ খক্তনি হায়রি।

ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখিবা মীওইশিংগী মশিংনা ঙরাং ফাওবদা চাদা ৮২.৫১ ওইরম্দু ঙসিদি ৮১.৯৭তা হন্থরকখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ইনষ্টিট্যুসন অমসুং হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা দি-টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১৩৫৫ অমসুং বি-টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৬৫১গী খুদোংচাবা ফংহনখি। হায়রিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপুনবা মশিং অসিগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং হেল্থ ইনষ্টিট্যুসনশিংদা থৌরাং তৌদুনা থমখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশিংনা দি-টাইপকী ৩০৯ অমসুং বি-টাইপকী ৯২নি হায়রি। মসিগী মনুংদা বিষ্ণুপুরদা দি-টাইপকী ১১, বি-টাইপকী ১৪, চান্দেলদা দি-টাইপ ১৭, বি-টাইপ ৪, চুরাচান্দপুরদা দি-টাইপ ৬৬, থৌবালদা দি-টাইপ ৬৭ , বি-টাইপ ২২, উখ্রুলদা দি-টাইপ ২৪, বি-টাইপ ৭, জিরিবামদা দি-টাইপ ২০, বি-টাইপ ১০, মোরেদা দি-টাইপ ২০, বি-টাইপ ৬, কামজোংদা দি-টাইপ ৩, বি-টাইপ ১, ককচিংদা দি-টাইপ ৯, বি-টাইপ ১২, কাংপোকপিদা দি-টাইপ ৫, বি-টাইপ ১, ফেরজেলদা দি-টাইপ ৪, বি-টাইপ ৩, নোনেদা দি-টাইপ ২, তমেংলোংদা দি -টাইপ ১৯, বি-টাইপ ১২ অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতনা দি-টাইপ ৪২নি হায়রি। লোয়ননা, ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯গী হীদাক কাপথোকখিবা মণিপুরগী অপুনবা মীওই ৩,৭৫,৫১৮ শুখ্রে হায়বগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমক্না ফেস মাস্ক শীজিন্নবিদুনা খুৎ-শা শেংনা হামদোকপিবগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপিয়ু হায়রি।

M/s. BRIGHTWAY AGENCY
Pologround Maning, M.P.P. Shopping Complex,
Hotel Line, South Block, Imphal West - 795001, Manipur
Email : brightwayagency2005@gmail.com
☎ 9383219335/9612580725/9863711381

মখাদা পিজরিবা SCHOOL শিং অসিগী HOME DELIVERY তৌবগী খুদোংচাবা পীজরি

1. R.K. Sanatombi Vidyalaya, Pangei
2. Mega Manipur School, Yaralpat
3. Camp English School, Koirengei
4. Slope Land Public School, Khongjom
5. S.V. Gate Well, Pangei
6. Kids Foundation, Ghari
7. Sunrise Public School, Uripok Khaidem Leikai
8. Alpha and Omega, Chingmeirong /Porompat
9. Active School, Naoremthong
10. Baby Seikam English High School, Checkon
11. Kindergarten Montessori School
12. Ramakrishna Mission School, Uripok
13. St. Peter School, Langol
14. Sainik Foundation School, Pangei
15. Sainik School, Pangei
16. Central School Books
17. NCRT and Manipur Board Text Books
18. Guide Books for NCRT, Manipur Board & Graduation

HOME DELIVERY SERVICE AVAILABLE ONLY @
Akoimart
☎ 9863149948
9362259435
Download the app from
GET IT ON Google Play
akoimart24@gmail.com Akoimart akoimart
Wangkhei Yonglan Leirak, P.O. Imphal, P.S. Porompat, Imphal East. Manipur - 795005.
HL-P/9802/29,30